# থেংমনখ্রে রাধামানবী ফিল্মগী হিরোইন ঙসিগীনা মরু ওইবী মমা শাবী পুর্নেশোরি

- নানি

মতম অমা, মণিপুরদা ভিদিও ফিল্ম নম্বা হৌনরকপা মতমদা য়াম্না মমিং লৈবা ভিদিও ফিল্ম অমা এম দি য়ু হোলদা রিলিজ তৌরকখি। লমদমসিগী মমিং লৈরবী অইবী লৈখিদ্রবী মহারাজ কুমারী বিনোদিনিনা ইবীবা **“থেংমনখ্রে রাধামানবী”** হায়বা অসিদা ইনৌ নৌনা, অনৌবা মায়থোং অমগা লোয়ননা থোরকখি ফিলেম পুর্নেশোরি দেবী। ফোটোজেনিক ওইবদগী হেন্দোক্তুনা ঈং-তপচবনা মশরুক ওইজরবী থোইদোক্লা চীং লেম্বা হায়বসিনা মতিক ময়াই হাপ্লগা ফিল্ম অদুদা মপুং ওইবা রোল লৌদুনা মীয়াম মাঙদা থোরকখি। ফিল্ম অদু য়েংনরুরবা মতুংদা ফিল্মগী সার্কলদা অমদি আর্টিষ্ট কম্যুনিটিশিংদা চঙখোনবী এক্ট্রেস অমা থোরক্লে হায়বগী নিনফুং-নিনফুং ঙাংনবা হৌরকখি। সিগী মতুংদগীদি পুর্নেশোরিগী য়ুম্ফম অমা থোনবা হৌরকখ্রে হায়না হায়বমক য়াই। তৌবগীদি মসিগী মমাঙদা মহাক অতোপ্পা ভিদিও ফিল্ম অমা অনী অমসু কুমদি কুমখি, অদুদা অদুক কা হেন্না মীয়াম্না শক খঙনবা অমদি ওইরকখিদে। **থেংমনখ্রে রাধামানবী** হায়বা অসিদগীদি পুর্নেশোরিগী নুমীৎ অমা থোরক্লবগুম পুমঙান ঙানবা হৌরকখি।

পুর্নেশোরি, মোইরাং লাইহরাওফমগী হেক মমাঙদা খোইরি লিশাং তাখি। অপোকপগী মিংনা ফিলেম বিজয় অদুগা অপোকপীগী মিংনা ফিলেম ওংবী গুনি কৌই। মচিন-মনাও পুন্না ৮নি। মসিগী মনুংদা পুর্নেশোরিনা অনীশুবীনি। পুর্নেশোরিগী মচে ইবেম্মাসু মতম অমা ঈশৈ কন্না শক্লম্মী, মিংনা ফিলেম পুর্নিবালা কৌই। **ক্বা মতপ** অমা হায়বা ভিদিও ফিল্ম অদুগী প্লেবেক সিঙ্গর ওইখিবনি। পুর্নেশোরিনা মহাক মশা কোন্নথংদা অসুম্না ওইরক্কনি হায়বসি মঙ ওইনা ফাওবা মঙলুদনা মচেগী মতুং ইন্দুনা, মচেগী ঈশৈ তম্ফমদা চৎমিন্নবা, মচেগী ঈশৈগী থৌরম কয়াদা মহাক য়াওনা চৎমিন্নদুনা তপ্পা তপ্পা আর্টকী ওইবা অপান্বা অসি য়োক্তুনা লাকখিবীনি। য়াম্না নুংঙাইরিবদি পুর্নেশোরিগী মচিন-মৌপ্পা ৮ অসি তঙ্খায় তঙ্খায় খায়দোক্লগা য়েংবা য়াই। তঙ্খায় অমনা আর্টকী লম্বীদা অদুগা তঙ্খায় অমনা স্পোর্টসকী লমদা চৎলি। মালেমদা মণিপুরবু শক তাক্লিবা আর্টস অমদি স্পোর্টস হায়বসি পুর্নেশোরিগী ইমুংদা পুন্না লৈরি হায়না লৌরফাওবদা থোইনা কায়দ্রে হায়বা য়াই। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা য়াম্না ঈকায় থিগনবী অমা ওইনদি হৌরকখি হায়না থম্বী, অদুবু স্কুলগী ওইবা থৌরমশিংদদি হেক হেক থোক্তুনা শরুক য়াবা অসিমদি পামজরকখি, লোয়ননা মোনোলোগ কুম্বনচিংবা কয়াদা শরুক য়ারকখি। পুর্নেশোরিনা পুষ্কক চাওরক্লবা লৈশা মপুং ফারকপা মতমদদি ফিল্মগুম্বা কুম্বসি পামজরকখি। অদুবু য়ুমগী অহল-লমনশিংনদি পূক্লিং থৌগৎপীখিদে।

পুর্নেশোরিনা ইহান হন্না কুমখিবা ভিদিও ফিল্ম অসি- **তামহৌরবী** হায়বা (তাংখুল অমদি মণিপুরী লোল অনী পুন্না য়াওবা) অমদা ইহান হান্না কুম্লকখিবনি। অসুম্না ভিদিও ফিল্মদা শরুক য়ারুরবী পুর্নেশোরি আর্টকী লম্বীসিদা নীংথিনা তপ্পা তপ্পা চঙশিল্লকপা হৌরকখি। অপূনবা শক্তম আর্টিষ্ট এসোসিএসননা পুথোকখিবা, লৈখিদ্রবী এম কে বিনোদিনিনা ট্রান্সলেট তৌবা **ওথেল্লো** হায়বসিদা *দেসদেমোনা* গী রোল লৌদুনা ঠিএটরদা শরুক য়াবা হৌরকখি। অসুম্না অতোপ্পা ফোল্ক প্লে **চীংশাংলাকপা** হায়বা অমদসু শরুক য়াখি। অসিগী মতুংদনি পুর্নেশোরিনা মমিং য়াম্না লৈখিবা ভিদিও ফিল্ম অমা ওইখিবা **“থেংমনখ্রে রাধামানবী”** হায়বা অসিদা মেন রোল লৌদুনা কুম্লকখিবা অসি। ফিল্ম অসিমক্না পুর্নেশোরিবু মীয়ামদা চপ চানা শক তাকপা ঙমখি। মসিগী মতুংদগীদি ফিল্মগী সার্কলদা মহাক্কী মমিং থম্বা হৌরকখি। মতমদুদা সেল্লুলোইদ ফিল্ম খরগী এসাইনমেন্ট লাকখি। অদুবু মহাক্কী পুন্সিগী ফিরেপ অমা লেপ্লবা হোৎনরকপদা



খরা অপনবা ওইরকপদগী এসাইনমেন্ট অদু লৌবা ঙমখিদে। মতমদুদা মঙোন্দা ফিল্মগীদমক হায়রবশিংদি- *মাধবী, শম্বাল ৱাংমা, করিগুম্বা মঙলান ওইরম্লবা* হায়বনচিংবা ফিল্মশিং অদু মশানা পাম্না পাম্না তঙাইফদনা লাপথোক্তবা য়াদদুনা লাপথোরকখি। পুর্নেশোরি মতমদুদা ৱাখলদা য়াম্না নুংঙাইখিদে। অদুবু ফীভমনা মতমনা য়াদবনা পাম্না পাম্না কুম্বদি ঙমখিদে। অসুম্না মতমগী খোঙলৈ মতুংইন্না কৈশাম্পাৎ অহৈবম লৈরকতা লৈবা থাংজম থোইবগা লোয়ননা য়ুম্বাল লম্বীদা খোঙ থাংজিনবা হৌখ্রে। মদুদগীদি ফিল্মগী অমদি আর্টকী লম্বী অসিদগী লাপথোকপা হায়বদু ওইরকখি। কোন্নথংদা, য়াম্না কুইরবগী মতুংদা *খোঙচৎ-৪* হায়বা ভিদিও ফিল্ম অদুদা মতেক অমা শরুক য়ারকখিবনি। অদুসু মখোয়গী ইমুং মনুংগী অঙাংশিং য়াওবদগী মতেক অমত্তং য়াওদবা য়াদে হায়দুনা য়াওখিবনি, থওইনা চপ চাবা রোল অমা লৌদুনা য়াওখিবদি ওইখিদে। মদুগী মতুংদগীদি ফিল্মগী ময়াম্নসু মহাকপু চিংশিন্নবা হোৎনরকখি। মপুরোইবগী অয়াবগা লোয়ননা পুর্নেশোরি ভিদিও ফিল্মলোমদা খজিক খজিক খোঙ থাংজিনবা হৌরক্লে।

আর কে কৃপাগী দিরেক্সন মখাদা পুথোকখিবা **সিতা** হায়বা দিজিটেল ফিল্ম অদুদা সিন মতেক অনীখক য়াওবা হৌরকখি। হান্নদগী হৌনা য়াওনিংদুনা লৈরবা পুর্নেশোরিগী ফম্ফম অমা ফংলবগুম থম্মোয়দা হরাওবা ফাওরকখি। সিগী মতুংদদি **রাজা** হায়বা ফিল্ম অমদদি মপুং ওইবা রোল লৌদুনা কুম্বা হৌরকখি। ফিল্ম অসিদদি পুর্নেশোরিগী হান্নদগী লোৎতুনা লৈরম্বা মতিংশিং অদু ফুদোকপা হৌরকখি। **রাজা** ফিল্ম অসি মতমদুদা মীয়াম্না য়াম্না পাম্নখিবা মমিং চৎপা অমা ওইখি। ফিল্মদুগী ঈশৈ- *“লোন্না চিলোক্লরিবা লৈশা পাখং অনীসে…”* হায়বদু হৌজিকসু মীয়াম্না পাম্না তানরি। ফিল্ম নমখিবা মতমদা খুদোংচাদবা কয়া অমা থেংনরকখ্রবসু, ইমুং মনুংগী ওইবা খুদোংচাদবা কয়া লৈখ্রবসু, চঙশিনবা হৌরুরবা ফিল্ম হায়বসিমদি, ফিজি পায়দুনা য়ান্নরনি হায়না খনখ্রবা পুর্নেশোরিনা খুদোংচাদবা কয়া অদু মায়োক্লদুনা লাকখি। সিগী মতুংদদি অনৌবা ফিল্ম অমা ওইনা **“ডোক্তর য়াইমা”** হায়বা অদুসু কুম্লকখি। ফিল্ম অসিদদি খরা হেন্না চাওবা, মীনুংশি চাওবী, লৈত-লায়রগী মতেং পাংবী অমদি কখোক্লবী নুপী অমগী রোল লৌদুনা কুম্লকখি। ফিল্ম অসিমক্তদসু মহাক *বেষ্ট সপোর্টিং এক্ট্রেস* কী এৱার্দকীদমক নোমিনি ওইনা চঙখিবা ফিল্ম ওইখি। য়াম্না মায় পাকপা ফিল্ম অমা ওইখি। হৌজিক ফাওবদা রোল মচা মচাশিংসু থারগা ফিল্ম চাম্মাগী ময়াদা কুমখ্রে। ফিল্মশিং অদু লোয়নমক মীয়াম্না পাম্নবা ফিল্মশিং ওইখি। ময়ামদুগী মনুংদা মমিং খরদং পনবা য়াবদি- মিত্রং কৈথেল, গোবিন্দগী শরীক মখোল, লুহোংবগী অহিং, শকহেনবী ইতৈমা নচিংবা কয়াদা মায় পাক্লা কুমখ্রে।

ফিল্ম অমদা মমা, মনে, মন্দোল শারিবা সিনিয়র এক্টর পুন্নমকশিং অসিগীসু অচৌবা থৌদাং লৈ। মমা য়াওদনা মচা লৈবা হৌনদে। অদুনা পুথোক্লরিবা ফিল্মশিংদা মমা অমা ওইনা হৌরক্লিবা নহাশিং অসিদা পুন্সিরোলগী অমদি অফবা তুংলমচৎ অমগী মপুং ফাবা খুন্নাই অমা শাগৎনবা হোৎনবদা লৌফম থোকপা থৌদাংশিংদি খজিক খজিক নাথৈদুনা চৎলবগুম উবা ফংই, মসিগুম্বা কয়া অসিদি তৌহন্নিংদে, শেমদোকহন্নিংই হায়বা ৱাফম কয়া অমসু চেকশিন্না থম্লকখি। তশেংবদি আর্ট অমদি আর্টিষ্ট হায়বসিদি ফজবা, অচুম্বা হায়বা অদুদা য়ুম্ফম ওগদবনি। অদুগুম্বা অচুম্বা অদুনা নাথৈদুনা থম্লগা ফজবা হায়বা মপান্থোংগী মীৎনা উবা খরা চেকশিল্লগা পুন্সিরোলগী মশক্তদি হোদ্রোং হোরগদি মদুনা মীয়ামদা অমদি তুংদা পীগদৌরিবা অসি করিনো হায়বা ৱাফম অসি য়াম্না মরু ওইরক্লি। অদুনা হৌরক্লিবা নহাশিংনা খঙজিনবা য়াবসি- আর্ট তৌবা হায়বসিদি পুন্সিগী অশেংবা মশক অমা থীবনি, অশেংবা মশক অদু খঙলবা মতুংদা খঙলিবা মীশক অদুনা অরানবা লম্বীদা থকশি খাশি, চৎনলোন, থৌগল্লোন, অমদি খুন্নাইরোলগী ওন্ন-তৈনবা অমদা লাক্লবদি মদুনা পুরক্কদৌরিবা তুংলমচৎ অদু করিনো হায়বসি মুন্না খন্থহন্নিংই হায়বা ৱাফমশিং চেকশিন্না থম্লকখি।

পুর্নেশোরি হৌজিকসু মখা তানা ফিল্ম কয়া অমগী এসাইনমেন্ট ফংদুনা মখা তানা অনৌবা প্রদক্সন কয়াদা কুম্লি। অথুবা মতমদা মমিং লৈরগদবা মীয়াম্না পাম্নরগদবা ফিল্ম কয়া অমা সূটিং লোইদুনা লৈখ্রে। অমদি অনৌবা কয়া অমসু সূটিং তৌরি হায়বা ৱাফমশিং থম্লকখি। তাঙলবী চীং লেম্লবী এক্টর অসিদগী ঐখোয়না অফবা ফিল্ম কয়া অমা খৌরাংলি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমেরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৯।১২।২০২১ ইং, নোংমাইজিং; অয়ুক পুং ১০.০৬ ফাওবা পোইনুগী থানিলনি মতুং ১৬নি পাল্লনি।

মেষ: মীয়ামগী মতেংনা থবক পাঙবা, হৈ-শিংবা, লাইবক ফবা, নিংবা থুংবা অমদি লাই-গুরুনা চানবীবা নুমিৎনি। মীনা কল্লকপা লৈ-অরোন অথুপ হায়দোক্কনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

বৃষ: ঈংথবা, চরাংনদবা অমদি হোয়া ফদবনা খ্বাইদগী ফবা ওইগনি। অনা অয়েক লৈরম্লসু কোকচবা অমদি মীয়ামগী মতেং ফংদুনা নুংঙাইজবা ওইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

মিথুন: ৱাখল নুংঙাইবা, মীচঙ হেনগৎপা, শেল-থুম ফংজবগী নুংঙাইবা লৈগনি। য়েক্লবদি মাঙখিনি অমদি থৌনা ফুদোকপা ঙসিসু মতাং চাই। মরুপ্নদি কল্লকই।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/হিগোক।

কর্কট: নিংথিনা পোরম য়াৎথোক্লগা পাঙবা থবক খুদিং লায়না মায় পাক্কনি অমদি অফবা মফম ফংবৈ নুংঙাইবা লৈগনি। অঙন্বনা য়ানবা থিবা হুম্বা লৈবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

সিংহ: লাইবক ফবনা ওইজ-ওইথক শোয়দনা ফংগনি, অনৌবা থৌরমদা পুক্লিং চংবা ফগনি, ইমুং মনুংগী ৱা তাউ। নাইতোম ৱা লেপকনু, মীতোপ লোয়নগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- কায়নবা য়াই-ঈংথৌ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

কন্যা: থবক পাঙই, শেল-থুমগী লমদা কান্নগনি, অফবা লৈফম ফংগনি, থৌনা লৈবনা মীনা লাকচবা ঙমলোই। অনম তাল্লদি মরুপকা নুংঙাইনরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংজবা থুংই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

তুলা: শীনবা লাংবা হান্নগুম হৈগনি, ঙাং-শকপসু লাকচবীনবা লৈরোই অমদি ঈকায় খুম্নবা ফংগনি। অশাওবনদি নরল মাঙগনি, লাংতক্লবনা মরুপ নুংশিনরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- চরাংনগনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: অরুবা ৱাফমদা নাইতোম ৱা তুপকনু, অনৌবা মীসু থাজগনু অমদি নথক থোংবনা য়েংশিল্লি। অরিবা মরুপ লোয়নবা থবক থৌরমশিংদি মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- থেংলপ্পা নুংঙাইজগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

ধনু: নিংজবা ফংগনি, মীচঙ খোম্বদি হান্নদৈ হেন্না মায় পাক্কনি, য়েক্লবনা ফাওবা তেংবাঙনিংবা নুমিৎনি। নাপল তৌবনা কোক শাবদি লৈগনি-নোল্লুকনা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা লুনা তৌই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

মকর: নিংবা থুংগনি, অনৌবা থৌরম পাঙবদি খুৎচাও থাবা য়াগনি, নক্লবগী মতেংনা থবক পাঙগনি, মীনা য়াম্না থাগৎপিবা লৈগনি। হকচাং নুংঙাইবদি ৱাৎলি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

কুম্ভ: থৌনা মতম মাঙবা, খুরৌ থাংবা, য়েৎনবদা লৌশিং ফুদোকপা ৱাবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা লৈ-অনৌবা থৌরম পায়গনু। ইমুং মনুংগী ৱাতমক লৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

মিন: থাজদনা কান্নবা ফংগনি, মরি-মতা অমদি অফবা অনৌবা মরুপ্পা চানবীগনি, মীগী মতেংনা শেল-থুমগী লমদা কান্নগনি। থেংলপ্পা মীকোক থোংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/য়াইঙং।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## য়াইবীলেন চিলড্রেন হোমদা তেংবাঙবীরক্লি : য়াঙ্গোই পিবা

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্টকী কৈবী সনাপাৎতা লৈবা য়াইবীলেন চিলড্রেন হোমদা লন্নাই মীওইশিং অমদি লূপ কয়ানা লেপ্তুনা তেংবাঙবীরক্লি হায়না য়াইবীলেন চিলড্রেন হোম মেনেজিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট য়াঙ্গোই পিবানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, দিসেম্বর ৩দা কোংপাল কোংখাম লৈকায়দগী কৈশাম মনিতোম্বনা চহী ২৮ শুরকপগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংবু চাক্লেন পীজবীবগা লোয়ননা মখোয়গীদমক কম্বল ১৮সু পীবীরম্মী, দিসেম্বর ৭তনা খুরাই কোন্সম লৈকায়দা লৈবা নেসনেলিষ্ট বিজিনেস ইম্পৱার (নবে)না কোন্সম নিতাগী চহী ২২ শুরকপগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংবু অথুম-অহাওশিং পীজবীবগা লোয়ননা মখোয়গীদমক সাপোন, ষ্টেসন্নরি আইটেমশিংসু পীবীরম্মী, দিসেম্বর ৮দনা খুরাই অহোঙ্গৈ লৈকায় (তেলিপতি)দগী বুবু লাইশ্রমগী চহী ৩৮ শুরকপগী মপোক নুমীৎ থৌরম মাগী ইমুং-মনুংনা হোমদা পাঙথোকপীদুনা অঙাংশিংবু চাক্লেন পীজবীবগা লোয়ননা মখোয়গীদমক চেঙ বেগ ২, অচাথাউ লিটর ১০, বিসক্কিট বোক্স ১, হৱাই কে জি ৫, বদাম কে জি ১ অমদি শেল ওইনসু লুপা লিশিং ১সু পীবীরম্মী। নুমীৎ অসিমক্তদা খুন্দ্রাকপম ময়াই লৈকায়দগী থৌদাম মনাওতোননা মহাক্কী লৈখিদ্রবী লোয়নবী নাওরেম নিঙোল থৌদাম ওংবী ইবোমচা নীংশিংবা ওইনা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ২, চিনি কে জি ৫, চা মনা পেকেট অমা অমসুং আলু কে জি ২০ পীবীরম্মী।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, দিসেম্বর ১০দনা নাগামপাল লমাবম লৈকায়দা লৈবা ব্রহ্মকুমারি, ইম্ফাল মণিপুরীগী কুমারিশিংনা হোমদা লাক্তুনা অঙাংশিংবু অচা-অথক পীজবীবগা লোয়ননা মখোয়গীদমক জোগিং ১৩, ষ্টেসন্নরি আইটেমশিং অমদি হেন্দ সেনিটাইজর, মাস্কশিং অমদি শেল ওইনা লুপা লিশিং ২সু পীবীরম্মী। দিসেম্বর ১১দনা কোংবা হুইরেম লৈকায়দগী কুঞ্জকিশোর পুখ্রম্বমনা মহাক্কী মচানুপী সালু পুখ্রম্বমগী চহী ৮ শুরকপগী মপোক নুমীৎ থৌরমগা মরী লৈননা অঙাংশিংবু চাক্লেন পীজবীবগা লোয়ননা মখোয়গীদমক চেঙ বেগ ১, টাৱেল ১৩সু পীবীরম্মী। নুমীৎ অসিমক্তদা ব্রহ্মপুর মংজিন বামোন লৈকায়দা ওফিস ওইবা টি জি হায়র সেকেন্দরি ১৯৯৬-৯৭ ক্লাস টুয়েল্ব বেটচকী অহুমশুবা এনিভর্সরি গ্রুপকী মহৈরোয়শিংনা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ২, গ্রোসরি আইটেমশিং, ব্লাঙ্কেট ১০ অমদি লফোইনচিংবা পীবীরম্মী। দিসেম্বর ১২দনা কোংবা মখা নান্দৈবম লৈকায়দগী পুত্রকুমার সেরামগী চহী ২৩ শুরকপগী মপোক নুমীৎ থৌরম হোমদা পাঙথোকপীদুনা অঙাংশিংবু চাক্লেন পীজবীবগা লোয়ননা মখোয়গীদমক চেঙ বেগ ১, আলু, ষ্টেসন্নরি আইটেমশিং পীবীরম্মী। নুমীৎ অসিমক্তদা কাঞ্চিপুর ফার্ষ্ট গেট, খা নাওরেম লৈকায়দগী শরতচন্দ্র ময়াংলম্বম অমদি ৱাহেংবম ইবেমহলনা মখোয়গী মচাশিং মথংশিংনা ময়াংলম্বম গ্রেসিলা অমসুং ময়াংলম্বম রোসনগা লোয়ননা হোমদা লাক্তুনা গ্রেসিলাগী বার্থ দে সেলেব্রেসন পাঙথোকপীদুনা অঙাংশিংবু অচা-অথকশিং পীজবীবগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫সু পীবীরম্মী। দিসেম্বর ১৫দনা উয়ুম্পোক অৱাং লৈকায়দগী হৈক্রুজম সঙ্গীতানা মহাক্কী মচানুপী হৈক্রুজম অঙেলসনাগী চহী ৬ শুরকপগী মপোক নুমীৎ থৌরমগা মরী লৈননা অঙাংশিংবু অথুম-অহাও, বিসক্কিটনচিংবা পীবীরম্মী।

মীয়ামগী মতেং খক্তনা হিংজরিবা হোমসিগী অঙাংশিংবু নুংশিবীদুনা তেংবাঙবীরক্লিবশিংগী মফমদা হোম অসিদা লৈরিবা অঙাংশিং অমদি মেনেজিং কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা তৌবীমল খঙবা উৎচবগা লোয়ননা থাগৎপসু ফোঙদোকচরি হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## সাপম ললিতপু ঈকায়খুম্নখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): ন্যু দেল্লীদা লৈবা হোটেল রেদিসনদা ঙসি পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ ভোকেসনল য়ুনিভর্সিটি, কিংদম ওফ তোঙ্গাগী কনভোকেসনগী থৌরমদা হৌজিক হৌজিক হোলিষ্টিক ভিষ্টা সবষ্টেন্স য়ুজ দিসওর্দরস ট্রিটমেন্ট সেন্টর, নিংথেমচা কারোংগী চীফ ফঙ্কসনরিসু ওইরিবা য়ুম্নাম হুইদ্রোম মখা লৈকায়দগী সাপম ললিতপু ওনরেরি কৌসা ডোক্টরেট এৱার্দ পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে হায়রি।




Title : Circle Sweet Night
By : M. Trina Devi
Class : VII Sec : C Roll : 62
School : Catholic School Canchipur



Title : Boat
By : Nameirakpam Surjakanta
Class : I Sec : E Roll : 42
School : St. Josheph's Hr. Sec. School



Title : A Little Baby in Sky
By : Tejush Soubam
Class : II Sec : A Roll : 1
School : Hikalol Leisu Shang



Title : Kakashi
By : Yendrembam Parlint Meitei
Class : V Roll : 4
School : Progressive English School, Lamding




Title : Sonic
By : Yohenba Kh.
Class : KG Sec : Lotus Roll No.: 35
School : Arena of Learning




Title : Parrot
By : Dayarani
Class : V Sec : A Roll No.: 6
School : Maheilen Education Centre



Title : T-REX
By : Ngasepam Krishnan Singh
Class : I Sec : D Roll : 50
School : St. Joseph's High Sec. School



Title : Naruto
By : L. Lamnganba
Class : III Sec : F Roll : 4
School : Maheilen Haotal



Title : Scenery
By : S. Lamnganba
Class : IV Roll : 3
School : Maheilen Education Centre




Title : National Falg
By : Sageinganba Manshita Devi
Class : V Sec : B Roll : 64
School : Nirmalabas High School




Title : House
By : Thoithoiba Moirangthem
Class : Pre-Nursery Sec : A Roll : 1
School : Seldam English Academy




Title : Ice-Cream
By : Tomthilnganba Mayanglambam
Class : KG-I Sec : B Roll : 44
School : Catholic School Canchipur



Title : A Mouse
By : S. Roshima Chanu
Class : V Sec : A Roll No. 10
School : Maheilen Education Centre



Title : Kakashi
By : Sageinganba Th.
Class : IV Roll : 14
School : Maheilen Education Centre



Title : Season
By : Telheiba
Class : IV Sec : B Roll : 4
School : Maheilen Boarding



Title : A Girl
By : Olympia Maibam
Class: I Roll : 44
School : Khuman Maheikol

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।